সী এমগা উনখ্রে...

লামায় ১গী মখা... চীফ মিনিষ্টরগা উনখ্রবা মতুংদা ওল মণিপুর নেসনল হেল্থ মিসন ইমপ্লোয়িজ ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট অমসুং জেনরেল সেক্রেটরীনা খুৎয়েক পীরগা থাদোরকখিবা চেরোল অমনা এসোসিএসন অসিনা চংশিল্লম্বা সিজ ৱার্ক ষ্টাইক কোভিদ-১৯গী ওইরক্লিবা ফিভমশিং অসি য়েংলগা খুদক্তগী হন্দোক্লে অমদি এন ঐচ এমগী ষ্টাফ খুদিংমক্না নোর্মেল দ্যুতি অমুক হন্না তৌননবু খঙহনখ্রে।

Important Phone Nos.

RIMS	- 2414478
J.N. Hospital	- 2450385
DG Control	- 2450100
FIRE SERVICE	
Imphal	- 101
Moirang	- 8415925197
Churachandpur	- 8415925191
Thoubal	- 8415925203
Kakching	- 8415925194
Jiribam	- 8415925193
Mayang Imphal	- 8415925196
Bishnupur	- 8415925190
Moreh	- 8415925198
Kangpokpi	- 8415925195
Ukhrul	- 8415925205
Senapati	- 8415925199
Chandel	- 8415925192
Singhat	- 8415925201
Sugnu	- 8415925202
Yairipok	- 8415925206

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	84.678627
US Dollar	75.000985
British Pound	94.230804
Australian Dollar	52.145606
Chinese Yuan Renminbi	10.693800
Japanese Yen	0.697640
Malaysian Ringgit	17.552756
Singapore Dollar	53.780591
South Korean Won	0.062778
Saudi Arabian Riyal	20.000263
Thai Baht	2.401288
Myanmar Kyat	0.05512
Bangladesh Taka	0.88444

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	48813.00
Mumbai	–	Rs	48656.00
Delhi	–	Rs	48702.00
Kolkata	–	Rs	48743.00

GAS NEWS

MANIPUR GAS SERVICE
Booking Upto : 07/06/2020
Valid From : 07/05/2020
HOME DELIVERY ONLY
Contact Nos. 8730954041, 8259969582
Call Timing: 7:30am –11:00am

MAIBIA GAS MOIRANG
Booking Upto : 11/05/2020
Valid From : 06/05/2020
Stock : 306
(HOME DELIVERY SERVICE),
Contact Nos.
1. DILIP- 9612883295 (MOIRANG A/C).
2. AJAY- 7005667570 (THANGA A/C),
3. ROJEN- 8787381746 (KUMBI A/C).
Booking Contact No. 7085972248.
Timing: 8:00 AM TO 12:00 Noon.

YAIRIPOK GAS SERVICE
HOME DELIVERY ONLY
Booking Upto : 30/06/2020
Valid From : 01/ 06/2020
Stock - 306
(Call Time: 08:00 am to 12:00 Noon)
Contacts : 93663 51735, 7005633725, 9856704591

JRONGMEI SK INDANE WANGOI
Booking Upto : 29/05/2020
Valid From : 27/05/2020
Stock : 306
Timing : 6:00am to 9:00am.
HOME DELIVERY
(Contact No. 6909963855 /8119073029)

MAHALAKSMI INDANE GAS
Booking Upto : 18/06/2020
Bk. Sl upto : 300450
Valid From : 15/06/2020
For home delivery,
Cont. Timing - 10 am to 12 noon.
9862312969 # 8414929709
Booking : After 15 days from delivery.

HRANGCHAL GAS AGENCY
Booking Upto : 20/06/2020
Valid From : 16/06/2020
BOOKING ONLY: 03852444677
Enquiry Only: 9436280866
Timing : 7:30AM to 11:00AM

LEIBAKLEI GAS KAKCHING
Booking Upto : 06/05/2020
Valid From : 27/04/2020
Stock : 612
HOME DELIVERY ONLY
CONTACT CALL TIME 7:00 AM T0 10:00 AM # 9862836403, 8415050488, 9862283423

KHUMBONG INDANE
Booking Upto : 08/06/2020
Valid From : 07/06/2020
Home Delivery
Contact No. 7005771527, 9774679422
19.kg available
Time 7.30am to 10:00am

CANCHI INDANE SERVICE
Booking Upto : 04/06/2020
Valid From : 28/05/2020
5kg UJJWALA
19kg Stock Available
HOME DELIVERY ONLY
Contact No.
KWAKEITHEL : 6909634960 & 8794191632
NAOREM LEIKAI :7085732827
Booking Timing: 09.00 to12.00 Noon

SAWOMBUNG'S INDANE
Booking Upto : 20/05/2020
Valid From : 08/05/2020
Stock : 306
Home delivery only
Contact No. 6033854884
Time : 8.00 am to 11.00 am

M/s K&K INDANE SERVICE
Booking Upto : 17/06/2020
Valid From : 13/06/2020
Time : 7.30 am to 11:00 am
Gas booking counter open at Tera Bazar Office
Time: 8:00 am to 12:00 Noon

POROMPAT INDANE GAS POROMPAT
Booking Upto : 13/05/2020
Valid From : 19/03/2020
Home delivery
Queries : 9366184547
Time: 7:00 am to 10:00 am

HIYANGTHANG INDANE
Booking Upto : 27/05/2020
Valid From : 26/05/2020
Timing : 7.30 am to 10:00 am

ফেক্টরি ৪১ কোর্পোরেটাইজেসন তৌবগী মায়োক্তা লেপ্লি:সী পি আই

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচ এন এস): ওর্দিনান্স ফেক্টরি ৪১ কোর্পোরেটাইজেসন তৌবগী মায়োক্তা লেপ্লি হায়না মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীল সী পি আইগী ষ্টেট সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থা অসিগী ৩দা সেন্ট্রেল ট্রেদ য়ুনিয়ন ওর্গনাইজেসনশিংনা পব্লিক সেক্তর য়ুনিটশিং প্রাইভেটাইজেসন তৌদনবা লৈবাক শিনবা থুংনা প্রোটেষ্ট পাঙথোকখ্রে। কোর্পোরেট মপুশিংগীদমক খনবা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা লুচিংবা লৈঙাকসিনা শিন্নীশিংগী দিমান্দ তাশিন্নদনা দিফেন্স সেক্তরগা মরী লৈনবা ওর্দিনান্স ফেক্টরি ৪১ প্রাইভেটাইজেসন তৌনবা থৌরাং লৌখৎলক্লিবসি খুদক্তা হন্দোক্লবা সী পি আইগী জেনরেল সেক্রেটরি দি রাজানা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

হৌজিক ওর্দিনান্স ফেক্টরি ৪১গী সিভিল ইমপ্লোয়ী অমদি মরী লৈনবা ট্রেদ য়ুনিয়নশিংনা লৈঙাক অসিগী ফিরেপ হন্দোক্লবা অকনবা খোঙজং চঙশিনবা লেপত্রি। চহী ২১৮ হেল্লক্লবা ফেক্টরিশিং মপান লম অমদি লৈবাক অসিগী প্রাইভেট সেক্তরদা শীন্নবদা থোরক্কদবা ফত্তবা ফলশিং হন্না হন্না নৈনবা তৌদনা মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সতা খোঙথাং অসি অথুবদা থবক্তা ওন্থোক্লবা অখন্নবা কন্সল্টেটিভ কম্মিটি অমা শেম্নবা অচেৎপা পাউতাক পীখিবা অদু ঙমখৈ লমদা উংখৎনবা থৌদোক-ৱাথোক কয়া তৌরকপসিদা হাথু-হাথুনা ফিরেপ লৌহন্নিংদে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

নবকিশোর, শগোলশেম ইন্দ্রকুমারদা রাইটর ওফ দি ইয়র মিংথোল পীদুনা ঈকায় খুম্নগদৌরি

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচ এন এস): মাইবম নবকিশোর অমদি শগোলশেম ইন্দ্রকুমারদা রাইটর ওফ দি ইয়র ২০২০ মিংথোল পীদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎলগনি হায়না নহারোল সাহিত্য প্রেমি সমিটিগী জেনরেল সেক্রেটরি এ সী নেত্রজিৎনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, নহারোল সাহিত্য প্রেমি সমিটি লিংখৎখিবা জুলাই ১৭পু চহী খুদিংগী অইবশিংগী নুমীৎ হায়না থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি। নুমীৎ অসি পাঙথোক্তুনা অইবশিংবু ঈকায় খুম্নবা উৎখিবগুম চহী অসিগী ওইনসু লমদমসিগী শক্লাইরবা অইবা অনী মথংশিংনা মাইবম নবকিশোর অমদি শগোলশেম ইন্দ্রকুমারদা ঈকায় খুম্নবা উৎকনি। সমিটিগী মায়কৈদগী সোল অমদি সাইটেসন পীদুনা ঈকায় খুম্নগনি।

চহী অসিগী ওইনা খনগৎলবা মাইবম নবকিশোর কুমজা ১৯৪০দা হিয়াংলম ময়াই লৈকায়দা পোকই। ৱারীমচা ইবা অমা ওইনা শকখঙনৈ। শৈরেং অমদি অতৈ নৈন-ৱারেং কয়াসু ইরকই। লাইরিক ৯গী মথক্তা ফোঙখ্রে। মহাক্কী খুৎইশিংবু শকখঙবা ওইনা তোঙান-তোঙানবা মনা কয়া ফংখিবা লৈরে। মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমী মনা ২০০৩ অমদি ইন্দিয়াগী সাহিত্য একাদেমী মনা ২০০৫ পনবা য়াই।

শগোলশেম ইন্দ্রকুমার কুমজা ১৯৪১দা থাংমৈবন্দ খোয়াথোংদা পোকই। ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালগী ঈশৈ অমদি দ্রামা আর্টিষ্টনি। অঙাংশিংনা তানিংগদবা ৱারী লীবা অমদি লমকোয় ৱারী ইবনা মহাক্কী হৈনবীনি। রেদিওদা অঙাংগী ৱারী কয়া লীখ্রে। নোভেল কয়াদগী দ্রামা ওইনা ওন্থোক্তুনা রেদিওদা কয়া অমসু শান্নখ্রে। নেসনল কাউন্সীল ওফ এদ্যুকেসনল রিছার্স এন্দ ট্রেনিং, ন্যু দিল্লিগী নেসনল থাক্কী অঙাংগী লাইরিক চাংদম্নবদা মনা ফংখ্রে। সাহিত্য একাদেমীনা বাল সাহিত্য পুরুস্কারসু পীরকপা লৈখ্রে। সমিটিনা চহী ৬০ শুরকপগী চথরকপা দাইমন্দ জুবিলিগী থৌরম লোইশিনবগা মরী লৈননা থা অসিগী ১৭তা পাঙথোক্কদবা অদু মালেম শিনবা থুংনা কোভিদ-১৯ শন্দোরকপা অমদি লৈঙাক্কী মী পুনবা য়াদবগী অথিংবা লৈবা মরম্না পাঙথোক্লরোই। মীয়াম পুন্দুনা থৌরম পাঙথোকপা য়াবা লৈঙাক্কী অয়াবা লৈরবা মতমদা পাঙথোক্লবা লেপ্নরে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ফাগৎলকখিবা ৱাইল্ডলাইফ আর্টিকলশিং মৈ থাদুনা মাঙহনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচ এন এস): সেন্ট্রেল ফোরেষ্ট মন্ত্রিপুখ্রিগী দি এফ ও, আর কে অমরজিৎকী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল এয়রপোর্ট য়াওনা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদগী কাঙলোন কায়না পুরকপদগী ফাগৎখিবা ৱাইল্ডলাইফ আর্টিকলশিং ঙসি সেন্ট্রেল ফোরেষ্ট মন্ত্রিপুখ্রিগী কমপ্লেক্সতা মৈ থাদুনা মাঙহনখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা সেন্ট্রেল ফোরেষ্টকী দি এফ ও, আর কে অমরজিৎনা ফোঙদোকখিবদা, ঙসি মৈ থাদুনা মাঙহনখিবা অসি শজি অয়াইবা কেজি ৪.৩, য়োং অয়াইবা কেজি ৩.৭, শজি কেজি ৯.১০ অমদি স্ক্রোফানি। হায়রিবা ৱাইল্ডলাইফ আর্টিকলশিং অসি চহীসিগী ফেব্রুৱারী ১৭তা ইম্ফাল ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতগী ইন্দিগো ষ্টাফশিংনা ফারবা মতুংদা সেন্ট্রেল ফোরেষ্ট মন্ত্রিপুখ্রিদা শীন্নরকখিবনি। মসি মৈ থাদুনা ফুমজিনবগী থবক চখবনি। চাউরাক্লা কেজি ৪০ রোমগী অয়াইবা শাদুমশিং মৈ থাখি।

পোৎলমশিং অসি মে ১৭তা লম্লাই পুলিসনা ফারগা ফোরেষ্ট ওফিস, মন্ত্রিপুখিদা শীন্নরকখিবসু য়াওরি। লম্লক্কী শা-উচেক্কী শাদুম পুবা য়াদে হায়বা চৎন-কাঙলোন থুগায়দুনা পুরকপদগী ফাখিবনি হায়রি। পোৎলমশিং অদু ফাদুনা মৈ থারগা ফুম্নগী থবক চথখিবা অদুদা দি এফ ও ৱাইল্ডলাইফ এল ইবোহনবী, এদিসনল এস পি ইম্ফাল ইষ্ট বিশ্বজিৎ, পব্লিক প্রোজিক্যুটর, সী জে এম ইম্ফাল ইষ্ট অমদি সেন্ট্রেল ফোরেষ্ট দিভিজন মন্ত্রিপুখ্রিগী ষ্টাফ কয়াসু শরুক য়াখি। পুলিস পর্সনেল কয়াসু য়াওখি হায়নসু মখা তারি।

এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচএনএস): ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি ইম্ফাল ইষ্টকী ভোলুন্টিয়রশিংনা লিবরেল কোলেজদা হাংবা কম্যুনিটি ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈরিবা ইনমেটশিংগী সাইকোসোসল সপোর্ট অমদি ষ্ট্রেস মেনেজমেন্টকী মতাংদা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা আই আর সী এস ইম্ফাল ইষ্টকী চ্যেরমেন নরেন্দ্র নিংঙোম্বনা দল্লীয়ু ঐচ ও অমদি লৈঙাক্লা পীরিবা গাইদলাইনশিং অদু ঙাক্লা চৎপীনবা ৱাফম থমখিবগা লোয়ননা মপানদগী হল্লক্লগা ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈরিবশিংনা কোভিদ-১৯ মায়থীবা পীনবা হোৎনবদা মতেং পাংবীনবা ৱাফমসু থমখি। লোয়ননা সেন্টর অদুদা লৈরিবশিংবুসু যোগ শান্নমিন্নখি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

য়োং ইকাইথিবী ১ পিপল ফোর এনিমেলগী মীওইশিংদা শীন্নখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচ এন এস): হৈরোক এ সীগী মনুং চন্না লাংমৈথেৎ অমদি সলুংফম ফাওনবা থোংজাও হায়না খঙনবা লম্বী অসিদা য়োং ইকাইথিবী অমা লৈরম্বদগী ফারগা পিপল ফোর এনিমেল মণিপুরগী মীওইশিংদা খুৎশিন্নখ্রে হায়না লাংমৈথেৎ য়ুথ দিভলপমেন্ট এসোসিএসনগী সেক্রেটরি সুরেশনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, হায়রিবা য়োং ইকাইথিবী অদু লাংমৈথেৎতগী মাইবম প্রফুল্লোকুমার অমদি মাইবম হেমন্ত অনীনা থবক হল্লকপদা থেংনবদগী ফারগা মতুংদা প্রফুল্লোগী য়ুমদা পুরকখি। শা অসিবু তেক্ত-কায়দনা থম্নবা হোৎনবদা থৌদাং লৌখিবা মাইবম জয়দাস অমদি শা অসি শীন্নবদা লাকখিবা পিপল ফোর এনিমেলগী মীওইশিংবু তৌবীমল খঙবা উৎলি।

মহৌশাগী খল কায়থরকপনা অতাঙবা মখলগী শাশিং অসি চীংদগী তম্পাক্তা মচিঞ্জাক থিবা কুমথরক্লি। য়ুম্লক্তা অমদি লম্বীদা থোরকপা মতমদা হাৎতোকপীবগী মহুৎতা চেকশিন্না শেন্নদুনা ফাজিল্লগা মফম চাবদা থাদোকপা চঙই। মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা শীন্নবসু য়াই। লম্লক্কী শা-উচেক কনবদা থৌদাং লৌমিন্নসি। মহৌশাগী অঙৈং-অশাগী খল কায়থরকপনা মরম ওইরগা অসিগুম্বা ফীভম কয়াসি লাক্লিবনি। লম্লক্তা লৈবা শা-উচেক কয়া য়ুম্লক্তা কুমথরক্লিবনি। লম্লক্কী শা-উচেকশিং য়োকখৎনবা অমদি কন্নবা হোৎনবদা ঐখোয় খুদিংমক্কী থৌদাং য়াম্না চাউই হায়নসু এল ৱাই দি এগী চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

এম জি এন আর ঈ জি এসকী থবক কাঙলোন লান্না চখবা, শেল লান্না খোমগৎপা খঙবা ঙম্লে : ইপাক

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচ এন এস): এম জি এন আর ঈ জি এসকী থবক কয়া কাঙলোন লান্না চখবা অমদি শেল লান্না খোমগৎপগী ৱাকৎ লোয়ননা থৌদোক কয়া খঙবা ঙম্লে হায়না ইন্দিজিনস পিপলস এসোসিএসন ওফ কংলৈপাক (ইপাক)কী পব্লিসিটি সেক্রেটরি আর কে প্রিতমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, জোব কার্দ ২ শারম্বা, মশা খঙদনা একাউন্ট হাংলম্বা, শেল লান্না লৌথোক্লম্বা, জোব কার্দ হোল্ডরগী একাউন্টতা চঙলকপা শেনফম প্রধান অমদি মেম্বরশিংদা পীখৎনবা হায়রম্বা অমদি শেল খোমগৎপগী ৱাকৎ লোয়ননা থৌদোক কয়া খঙবা ঙম্লে। জোব কার্দ হোল্ডরশিংগী য়াইফনবা হোৎনরিঙৈ চৈরক অসিদা ইপাক্কী ভাইস প্রসিদেন্ট অমবু মীংচৎ থিনবা মণিপুর ষ্টেট পঞ্চায়ট পরিষদনা লান্না ফোঙদোরকপা লাইবক থীবনি। ইপাক্কী মায়কৈদগী জেদ পি, প্রধান, মেম্বরশিংদা কিহনবা লৈতে। মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক ৱাকৎলোয়শিংগা লোয়ননা অচুম্বা তৌনবগীদমক ওথোরিটিশিংদা তক্লদুনা লাক্লি। অচুম্বা পুরক্লবা অমদি এম জি এন আর ঈ জি এসকী থবক থৌরমশিং অশোয়বা য়াওদনবা ইপাক্লা চঙশিল্লকপা থবক থৌরমশিংদা অপনবা পীরকপনি হায়না লৌই।

রাইট মৎপীরবা জোব কার্দ হোল্ডরশিংনা মরী লৈনবশিংদা য়েংশিন্নবা ৱাকৎ কয়া হাপ্পক্লিবা অসিগী মতাংদা পঞ্চায়ট পরিষদকী করম্বা মীৎয়েং চঙবা লৈবগে। জোব কার্দ হোল্ডরশিংগী বেঙ্ক একাউন্ট হাংবা মতমদা মশা খঙদনা হাংলিবশিং অমদি জোব কার্দকী বেঙ্ক একাউন্টতগী য়াল্লবা শেনফম লৌথোকখিবগী ৱাকৎশিং অসিগী মতাংদা করম্বা এক্সন লৌখৎখিবা লৈবগে। মীয়ামদা পুথোক্ত্রিবগী মরম করিগীনো। এম জি এন আর ঈ জি এসকী ৱাথোক খক্তা নত্তনা লায়রবশিংগী য়ুম শানবা স্কিম লোয়ননা পি এম কিষান স্কিমগী তাঙ্কক নাইনা থাদরকপা শেনফমশিং লৌথোকপদা পঞ্চায়টকী মীহুৎশিং চেন্নবগী ৱাকৎ কয়া অসিগী মতাংদা করি ফীরেপ লৌখিবা লৈবগে। পঞ্চায়টনা কোল্লিবা রুরেল এরিয়াশিং অমদি মীয়ামগীদমক থাদরকপা শেনফমশিং পঞ্চায়টকী মীহুৎশিংনা নীংথিনা শীজিনরম্নবদি কংলৈপাক্তা লায়রবা লৈরম্লোই হায়নসু মখা তারি।

হার ফংহনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা গাড়ীনচিংবা চৎনদবা অসিদা লৌমীশিংনা দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসতগী হার লৌবা চৎপদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরিবা চৈরকসিদা সোসল ৱার্কর অমদি কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী হান্নগী মেম্বর লোয়ননা মণিপুর রুরেল বেঙ্ক কুম্বী ব্রাঞ্চকী সী এস পি খাঙেম্বম গোজেন্দ্রোনা কুম্বী ৱার্দ নম্বর ৭কী মনুংদা লৈবা লাইমাং লৈকায়, অৱাং খুল্লেন, এম ঈ লৈকায় অমদি খুল্লাকপম লৈকায়নচিংবগী লৌমীশিংদা য়ুরিয়া হার ফংহনখ্রে।

লমদমশিং অসিগী লৌমীশিং মহাক্লা লন্নাই গাড়ী ৱাইরগা দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিস, বিষ্ণুপুরদা পুদুনা লৌমী অমমমদা য়ুরিয়া বেগ অমমম দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসকা খুৎশম্নদুনা ফংহনখ্রে। চৎথোক-চৎশিন্দা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরিবসি য়েংলগা মতেং পাংবনি হায়রি।

হেন্দ সেনিটাইজর, মাস্ক মতেং পীখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচ এন এস): ইনষ্টিট্যুট ওফ বাইও রিছোর্স এন্দ সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট (আই বি এস দি), তাকয়েলপাৎকী মায়কৈদগী চিলদ্রেন হোম অমদি সিনিয়র সিটিজন হোমদা হেন্দ সেনিটাইজর, মাস্ক অমদি থক্নবা ঈশিং মতেং পীখ্রে হায়না আই বি এস দিগী সিনিয়র এদমিনিষ্ট্রেটিভ ওফিসর অকবরনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

দিসক্বালিফিকেসন কেসকী রেকোর্দশিং...

*লামায় ১গী মখা...*ওফ ২০২০গা মরী লৈনবা রেকোর্দ পুম্নমক পুথোরক্লবা খঙহনখি। করিগুম্বা এদিস্নেল এ জিগী মায়কৈদগী কেস অসিগী মথংগী রির্টনেবল দেট ওইরিবা থাসিগী ১০দা হায়রিবা রেকোর্দশিং অসি পুথোরক্তুগদি পিটিস্নর এক্স এম এল এনা প্রেয়র তৌরকখিবা ইন্টরিম ওর্দরগী মতাংদা খন্নরগনি হায়খি। পনবা য়াবদি, টি রোবিন্দ্রো মহাক্কী পিটিসন অসিদা হায়কোর্টনা কেস অসি দিসপোজ তৌদ্রিঙৈগী চৈরক্তা মহাকপু এসমেম্লীগী মেম্বর ওইহনখিদবা মমাং থাগী ১৮দা থোকখিবা ওর্দর অমসুং মসিগী বুল্লেটিন পার্টি-২ অদু এক্স- পার্টেনি হায়বগা লোয়ননা ষ্টে তৌবিনবা (চৎনহন্দনা থম্বীনবা) ইন্টরিম ওর্দর অমা পীবিয়ু হায়জরকখিবনি। লোয়ননা মহাকপু দিসক্বালিফাই তৌখ্রিবসি মঙোন্দা নোটিসনচিংবা পীদুনা মসিগা মরী লৈননা মহাক্কী ৱাফমশিং তাননবা খুদোংচাবা অমত্তা পীখিবা লৈতে হায়নসু কোর্ট অসিদা ৱাকৎলিবনি। কোর্টনা কেস অসিগী মতাংদা খন্নরকপদা মহাক্কী মায়কৈদা সিনিয়র কাউন্সেল নামোইজম ইবোতোম্বীনা লেপ্লকখিবনি।

দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট অমসুং ক্রাইসিস কম্যুনিকেসন হায়বা হীরমদা ৱেবিনার পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচ এন এস): পি আই বি গুৱাহাতিনা শীন্দুনা দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট অমসুং ক্রাইসিস কম্যুনিকেসন হায়বা হীরমদা ৱেবিনার অমা পাঙথোক্কদৌরি।

পি আই বি গুৱাহাতিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌজিক অসাম অসি নুঙ অনীগী মরক্তা হা ওইরি। কোরোনাগী লাইচৎনা অৱাবা পীবদা নত্তনা মীওই লাখ কয়া ঈচাউনা অৱাবা তাহল্লি। ৱারবা মীয়ামদা রিলিফকী ওইবা পোৎলমশিং পীবদা নত্তনা থৌদাং কয়া পায়খৎলক্লি। মীয়ামগা ঈ-পাউ ফাওদোক্লুবগী তঙাইফদবা লৈরে। রিলিফকী ওইবা থৌরাং কয়া লৌখৎপগী মথক্তা কেম্পনচিংবা কয়া অমসু পাঙথোক্লি। মীয়ামগা পাউ ফাওনদুনা মীপায়বা পোক্তনবা হোৎনবা তঙাইফদ্রে। চেকশিন-থৌরাং কয়া লৌখৎপগী তঙাইফদবসু লৈরি। ফীভম অসি য়েংলগা পি আই বিনা মিনিষ্ট্রি ওফ ব্রোদকাষ্টিংগী মখাদা দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট অমদি ক্রাইসিস কম্যুনিকেসনগী মতাংদা ৱেবিনার অমা পাঙথোক্লবা লেপ্লি।

অরানবা পাউ শন্দোকপা থেংননবগীদমক ৱেবিনার অসি হয়েং নুংথিল পুং ১২.৩০ দগী নুংথিল পুং ২ ফাওবা পাঙথোক্কনি। ৱেবিনার অসিদা লেফটিনেন্ট জেনরেল রিটয়ার্দ আতা হসনৈননা অথোইবা মীথুংলেন ওইগনি। মহাক নেসনল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এজেন্সীগী মেম্বর অমনি। চহী ৪০ হেন্না মশক থোক্লা থবক তৌরম্লবা মীওইনি। কাশ্মির সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটিগী চাঞ্চেল্লরসু ওইরি। ৱেবিনার অসিদা তেজপুর য়ুনিভর্সিটিগী মাস কম্যুনিকেসন দিপার্টমেন্টকী হেদ জোয়া চক্রবোতিসু শরুক য়াগনি। মহৌশাগী খুদোংথিবা থোকপা মতমদা মতৌ করম্না মীয়ামগা ঈ-পাউ ফাওনগদগে অমদি মীয়ামদা মতেং পাংগদগে হায়বগী মতাংদা সেসন অমা লৌগনি। তেজপুর য়ুনিভর্সিটি অসি জর্নেলিজমগী হীরমদা মমিং লৈবা য়ুনিভর্সিটিনি। মসিনা জর্নেলিজমগী ফেকল্টিদগী মহৈ-মশিনগী ওইবা হীরমদা থবক পায়খৎপা ঙস্মী হায়নসু মখা তারি।

ৱারী লীবা ফেষ্টিভেল লোইশিনখ্রে, মনা-মথুম য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচ এন এস): সঙ্গীত নাটক একাদেমী, ন্যু দিল্লিগী মীৎয়েং মখাদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী য়াইরিপোক বামোন লৈকায়দা লৈবা রিজনল সেন্টর ফোর কলচরেল হেরিটেজনা শীন্দুনা নুমীৎ ১০নি চুপ্পা চথরকপা ৱারী লীবা ফেষ্টিভেল লোইশিনখ্রে। ফেষ্টিভেল অদু লোইশিনবগা লোয়ননা ষ্টেট লেভেলগী থাক্তা মনাশিংসু য়েন্থোকখ্রে।

ফেষ্টিভেল লোইশিনবগী থৌরমদা য়াইরিপোক ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী ভাইস চ্যেরপর্সন কোঞ্জেংবম ইতোনা অথোইবা মীথুং ওইখি। আর সী সী ঐচ য়াইরিপোক্কী প্রসিদেন্ট এল মনিনা থৌরম মপু অমদি থম্বালনু সাহিত্য মরুপ কম লাইব্রেরী য়াইরিপোক্কী চীফ এদভাইজর রঘুবির থিয়াম অমদি প্রসিদেন্ট মাইবম ইবোতোম্বী খুমননা অখন্নবা মীথুংলেন ওইখি।

মণিপুরগী মফম কয়াদগী ৱারী লীবা ওজা কয়ানা ফেষ্টিভেল অদুদা শরুক য়াখি। ফেষ্টিভেল অদুগী মনুং চন্না ৱারী লীবা আর্ট ফোর্মবু চাউখৎনবা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা কন্নবা হোৎনরিবা ওজা অনীদসু মনা পীখি। এ আই আর ইম্ফালগী এপ্রুভ আর্টিষ্ট সোরাইশম গুনেন্দ্রোদা ওজা নুংলেপ্পা ৱারী লীবা নীংশিং মনা ২০২০ অমদি ওজা সুরঞ্জয়দা ওজা নবচন্দ্র নীংশিং মনা ২০২০ পীদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

সী এমনা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা ৱাটর সপ্লাই স্কিম ৫...

*লামায় ১গী মখা...*সেন্টর হাংদোক্লবগীদমক লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙলি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

পি ঐচ ঈ মিনিষ্টর রোসি দিখোনা ফোঙদোকখিবদা, কুমজা ২০২২ ফাওবদা ষ্টেট অসিগী য়ুমথোঙ খুদিংমক্তা পোটেবল ৱাটর ফংহন্নবা লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙলি। তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা ৱাটর সপ্লায় প্রোজেক্ট কয়া পায়খৎলি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

কাঞ্চিপুরদা ইন্টিগ্রেটেদ ৱাটর সপ্লায় প্রোজেক্ট শঙ্গাবগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা সী এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর করাম শ্যামনা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঈশিং হায়বসি থৱায়নি হায়বা ৱাখল্লোনগা লোয়ননা মীয়ামদা অফবা থক্লবা ঈশিং ফংহন্নবা থবক কয়া লৌখৎলক্লি। কুমজা ২০২৪ ফাওবগী মনুংদা মীপুম খুদিংমক পোটেবল ৱাটর ফংহন্নবা মীৎয়েং থম্লক্লি। লংথবাল এ সীগী ওইনদি কুমজা ২০২২ ফাওবদা য়ুমথোঙ খুদিংদা অফবা থক্লবা ঈশিং পীবা ঙম্লগনি। এ সী অসিগী মনুংদা অফবা থক্লবা ঈশিং ফংহন্নবা খোঙথাং কয়া লৌখৎলে। কাঞ্চিপুরগী ৱাটর সপ্লায় প্রোজেক্ট অসি হান্না লৈরম্বা চাংদগী কেপাসিটি হেনগৎলে। হৌজিক ৯.০৮ এম এল দি য়ৌরে। মসিনা তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা ঈশিং পীবা ঙম্লগনি। হাওরৈবী ৱাটর সপ্লায় স্কিমগীদমকসু লুপা ক্রোর ২.৮ লৈরে। লিলোংগী ওইনসু লুপা ক্রোর ৯.৯ রোম সেঙ্কসন তৌরে। করাম ৱাটর সপ্লায় স্কিমগী ওইনা লুপা লাখ ৮৭ হেন্না লৈরে। লংথবাল মন্ত্রিখোংগী ওইনা পাইপ তিংবগী থবকসু মপুং ফানা চঙশিন্নবা শেম-শারি। এ সী অসিগী মনুংগী লম্বী-থোংশিংসু হৌজিক শেমগৎ-শাগৎপগী থবক য়াংনা চঙশিল্লে। লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন মমাঙদদি চাদা ১০০ লোইশিনবা ঙম্লগনি হায়বগী থাজবা লৈ। মীয়ামগী ওইবা তঙাইফদবা অৱাৎ-অপা কয়াদা চঙবা য়াবা মীৎয়েং চঙগনি। শেমগৎ-শাগৎপগী থবকশিং পায়খৎলকপদা কোওপরেসন পীবীয়ু হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিয়টতা পাঙথোকখিবা থৌরমদা চীফ সেক্রেটরি ডা. সুরেশ বাবু, পি ঐচ ঈগী কম্মিস্নার নিধি কেসর্ৱানি, হেল্থকী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি ভুমলুনমাংসু শরুক য়াখি।

এন পি পিগী থৌ পুবশিংগা এম এল...

*লামায় ১গী মখা...*পার্টিসিগী এম এল এশিংগা লোয়ননা চুম্না ফম্মিন্নবনি। পার্টিগী ওইবা তঙাইফদবা হীরমশিংদা খন্নবনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

এন পি পি মণিপুরগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট অজাং খোংসাইনা ফোঙদোকখিবদা, এন পি পিগী এম এল এ ৪গা দিল্লিদা সেন্ট্রেল লিদরশিংগা উনবা মতমদা থাজবা কয়া থম্লকপা লৈখ্রে। সেন্টর লিদরশিংনা থম্লকপা থাজবশিং অদু কদায় ফাওবা থবক্তা ওন্থোরকপগে হায়বদু মতম খরদি য়েংখিবা তাই। পুরা ওইনা থবক্তা ওন্থোক্তে হায়বদি য়ারোই। খরমখৈদি তৌরক্লি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ডা. দিনেসকী বেল প্রেয়র খন্নদনা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ...

লামায় ১গী মখা... স্পেসল জজ (পি সী এক্ট), ইম্ফাল ৱেষ্ট আর কে মেমচাগী কোর্টতা ভি এন্দ এ সী পুলিস ষ্টেসনগী মায়কৈদগী থাসিগী ১৩ ফাউবগী নুমিৎ ৬নিগী পুলিস কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা পুথোরকখি।

মহাকপু কোর্ট অসিদা পুথোরকখিবদা মহাক্কী কাউন্সেলগী খুত্থাংদা মহাকপু কেস অসিদগী বেল পীবিনবা এপ্লিকেসন অমা ফাইল তৌরকখি।

কেস অসিদা মঙোন্দা তৌরিবা চার্জশিংনা হৌখিবা মার্চ অমসুং এপ্রিলদা মেদিকেল দিরেক্টোরেটনা এন-৯৫ মাস্কশিং য়াওনা মেদিকেল প্রোটেক্টিভ গীয়রশিং অসিবু প্রোক্যুর তৌবগী লৈরিবা রুলশিং য়াওদনা লৌশিল্লমখি। মেদিকেল প্রোটেক্টিভ গীয়রশিং অসি কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক মায়োক্লবদা শীজিন্নবগীদমক্লি। মরম অসিদগী দিষ্ট্রিক্ট ১৬কী চীফ মেদিকেল ওফিসর (সী এম ও)শিংদা য়েন্থোক্লম্বনি হায়রি।

কেস অসিগী রেকোর্দকী মতুং ইন্না মেদিকেল দাইরেক্টোরেটনা হৌজিক ফাউবদা এন-৯৫ মাস্ক ৫২,১০০ লৌশিল্লম্লে। মাস্কশিং অসি এম/এস ব্লু স্কায় সর্ভিসেস, গুৱাহাটিদগী ২৯,১৫০, এম/এস নিম ফার্মাস্যুটিকেল, গুৱাহাটিদগী ২০০০, এম/এস গ্লোবল ইনফ্রাষ্ট্রকচর এন্দ কন্সএক্সন, দিমাপুর (কেয়র ওফ-এম/এস লোর্দস, দিল্লি)দগী ১২,৯০০, এম/এস ফামা মার্কেটিং, গুৱাহাটিদগী ৩,০৫০ অমসুং এম/এস য়ুম্লাম এজেন্সী, ইম্ফালদগী ৫,০০০ লৌশিল্লম্লে হায়রি।

অদুবু হায়রিবা অপুনবা মাস্ক ৫২,১০০ অসিগী মনুংদগী গুৱাহাটিগী এম/এস ফামা মার্কেটিংনা সপ্লাই তৌরকখিবা এন-৯৫ মাস্ক ৩,০৫০গী মনুংদগী মাস্ক ২০০ খক ডা. দিনেসনা এপ্রিল ৩ অমসুং ৬তা থোকখিবা এল্লোকেসন ওর্দরশিংগী মতুংইন্না দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল, চুরাচান্দপুরদা পীরুবদা মাস্ক ২০০ মক সব ষ্টেন্দার্দ ক্বালিটিগী ওইরম্বগী মথক্তা কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক মায়োক্লনবগী শীজিন্নবদা অন-ফিট ওইরম্বনি হায়রি।

মহাকপু কোর্টতা পুথোরকপদা এদিস্নেল স্পেসল পব্লিক প্রোজিক্যুটরগী মায়কৈদগী এক্যুইজ অসিনা সব-ষ্টেন্দার্দ ক্বালিটিগী মাস্কশিং লৌশিল্লম্বদা মরুওইবা থৌদাং লৌখিবনা মহাকপু কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেসন হৌরকপদা ঙাইরিবনিনা প্রোপর ইনভেষ্টিগেসনগীদমক কষ্টদিএল ইন্টরোগেসনগী তঙাই ফদবা লৈ হায়খি। অদুম ওইনমক মহাক্কী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলনদি মাস্কশিং অসি রুলগী মতুং-ইন্না লৌখিবনি হায়বগা লোয়ননা সব-ষ্টেন্দার্দ ওইবা মাস্কশিং লৌশিনবদা মহাক য়াওদে হায়খি। অদুম ওইনমক কোর্টনা নাকল অনীগী ৱাফমশিং তারবা মতুংদা ডা. দিনেসপু থাসিগী ১০গী নুংথিল পুং ২ ফাউবা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখি। অদুগা মহাক্কী বেল এপ্লিকেসন অসিনা মহাক পুথোরকপা নুমিৎসিদা পুখৎলক্লবা দিরেক্সন পীখি।

হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিস কোভিদ-১৯...

লামায় ১গী মখা... থুংলবগা কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক্কী প্রোটোকোলশিং ঙাক্তুনা রিমসতা টেষ্ট তৌখিবনি হায়রি। টেষ্ট অসিগী রিজল্ট ঙসি নুংথিল অথেংবদা ফংখিবদা মহাক নেগেটিভ ওইরমখিবনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, মহাক কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক মায়োক্লনবগীদমক মণিপুরদসু লোকদাউনগী অথিংবা থমজিল্লকখিবা মার্চ থাদা ময়ুমদা চৎখিবদগী ঙসি অমুক হল্লকখিবনি। মহাক্লা ময়ুমদা লৈরবসু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী কোর্ট সিটিংশিং য়াওনা মহাক্কী থবক থৌরমশিং ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা পাঙথোক্তুনা লাকখিবনি। মহাক ঙসি ইম্ফালদা থুংলবদা কোভিদ-১৯গী টেষ্টিংদা নেগেটিভ ওইরবসু লায়না-লাইচৎ অসিগী প্রোটোকোল মতুংইনবা হোম ক্বারন্টিন তৌদুনা লৈখিগনি হায়রি।

মঙারকশুবা লমজিং মৈরা নীংশিং নুমিৎ থৌরম...

*লামায় ১গী মখা...*য়াওগদবা মচাকশিং অদু য়াওদবা ওই। মরুওইনা ইন্দিজিনস পিপল দিফাইন্দ তৌদবা অসিনা কনা-কনাবু মণিপুরগী ইন্দিজিনসনি হায়না লৌগদৌরিবনো। কুমজা ১৯৫১গী মমাঙদগী মণিপুরদা লৈখ্রবা মীতোপ-মীয়ানচাশিংদা পর্মনেন্ট রেসিদেন্ট ওইহন্দবা, ভোটর লিষ্ট য়াওদনা লম লৈবা, য়োনবা য়াদবা কয়া অমসু য়াওরিবনি। ঙসি চৎনরিবা আই এল পি এস অসিদা বেজ ইয়র য়াওদবনা মণিপুরদা কুমজা ২০১৯গী মমাঙদা লৈরম্লবা মীতোপ-মীয়ানচাশিং অসি মণিপুর লৈঙাক্লা ভোটর লিষ্ট পায়রবশিংবু ওইরবদি পর্মনেন্ট রেসিদেন্টনি হায়না লৌরগা মখোয়দা আই এল পি ইস্যু তৌদে। কুমজা ১৯৫১গী মতুংদা চঙলকখিবা মীতোপশিং লৈহল্লোইদবনি হায়বা ৱাফম অসিগী ৱাহন্থোক য়াওদে। মরম অসিনা লৈঙাক্লা অথুবদা বেজ ইয়র লেপকদবনি। নৎত্রবদি ঈহৌ ইনভাইট তৌবনি হায়না লৌগনি।

মণিপুরদা দিলিমিটেসন তৌগনি হায়রি। কুমজা ২০০১গী সেন্সসতা য়ুন্ফম ওইরগা দিলিমিটেসন তৌগনি হায়বসি য়ানিংদে। সেন্সস অসি এবনোর্মেল ওই হায়বসি খঙনরবনি। পোপ্যুলেসন কম্মিসন শেল্লগা নীংথিনা য়েংবা চঙলি। কুমজা ২০০১গী সেন্সসতা দিলিমিটেসন তৌবা য়ারোই হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা সাপম রোবিনহুদকী অপোকপা সাপম রোমেশনা ফোঙদোকখিবদা, রোবিনহুদ লৈখিদবা চহী ৫ ফারক্লে। কমপ্লেক্স অসিদা মিতম খিনগনি হায়না ইমুং-মনুংগী মীওই অমত্তদা হায়বীদবসি নুংঙাইতে। মফম অসিদা মিতম অমত্তং খিনবীরবদি মহাক শিরবসু পেল্লগনি। রোবিনহুদ মীয়ামগীদমক কথোকপ্লবনি। চহী-চহীগী ওইনা নীংশিংবগা লোয়ননা লৈবাক্কী ওইনসু নোংমত্তংদি নীংশিংহন্নিংই হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা শরুক য়াখিবশিংনা য়েলহৌমী কনবগী ঈহৌদা থৱায় কৎখ্রবা লমজিং মৈরাগী মীথোল পীখ্রবা সাপম রোবিনহুদকী মফমদসু হৈকৎ লৈকৎ অমদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

অনন্দ সিংহ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোয়শিংনসু নীংশিং থৌরম পাঙথোকখি। নুমীদাংদা মহৈরোয়শিংনা লৈকায় মীয়ামগা লোয়ননা মৈরা কৎখি। মহাক্লু নোংমৈ মরুনা পানখিবা মফম অদুদসু মৈরা কৎখি। থৌরমদুদা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন কয়াগী লুচিংবশিংসু শরুক য়াখি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ইষ্টকী মনুংচন্না লৈবা কো-ওর্দিনেটিং বোদি খুরাইনা শিন্দুনা লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা লুপ অসিগী লোয়শঙদা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তমগীদমক থৱায়না পোল্লা পীখ্রবা লমজিং মৈরা রোবিনহুদকী মিতমদা ঙসি নুমিদাং মৈরা কৎতুনা ইকায়খুম্নবা উৎখ্রে। মৈরা কৎপগী থৌরম অদুদা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম কায়বা য়ারোই হায়বনচিংবা খোল্লাউ কয়াসু লাউখি হায়রি।

ꯁꯉꯥꯏ ꯍꯥꯏꯌꯔ ꯁꯦꯀꯦꯟꯗꯔꯤ ꯁ꯭ꯀꯨꯜ
SANGAI HR. SEC. SCHOOL
CHUMBREITHONG, MANTRIPUKHRI, IMPHAL

ADMISSION OPEN
FOR CLASS XI SCIENCE, ARTS & COMMERCE
FOR THE
SESSION 2020-21.

G. Roberto Sharma
1st Position
(Commerce)
in H.S.Exam.2019

Y. Babina Chanu
3rd Position
(Commerce)
in H.S.Exam.2019

☎ 7642035360 / 8974928646
www.sangaihrsecschool.in
Admission form can be had from school temporary office during 10am to 3pm. & online can also be applied through school website.
HL-P/7269/7,8,9
EDUCATION FOR A COMPLETE MAN